**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 31-10-2025)**

**দিবসঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি রাস্ট্রিয়া এক্তা দিবস পালন থৌরম পাঙথোক খি।

ভারতকী অহানবা উপ প্রধান মন্ত্রি, গৃহ মন্ত্রি অমসুং ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-সরদার ভাল্লাভাই পতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকী মপুং ওইবা থৌরম গুজরাটকী কেবরিয়াগী এক্তানাগরদা লৈবা ষ্টেচু ওফ য়ুনিতিদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা ষ্টেচু ওফ য়ুনিতিদা লৈ কৎলবা মতুং এক্তা দিবসকী ৱাশক লৌখি। মদুগী তুংদা, বি.এস.এফ, সি.আর.পি.এফ, তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী পুলিস ফোর্সশিং অমদি টেব্লো তরা প্রধান মন্ত্রিনা মাৎয়েং তাখি। য়ুনিটি ইন দাইভরসিতি হায়বা হীরমদা পাঙথোক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী কাংবুনা সুরিয়া কিরন হায়না মিংথোনবা পুকিং থৌগৎনিংঙাই ওইরবা ইয়ার সো উৎখি। ভারতকী পাক চাউরবা কালা সংস্কৃত্তিগী শক্তম উৎপা টেব্লোশিংগী মনুংদা মনিপুরগী 'ঐতিহাসিক ওইরবা কংলা ফোর্ট' সু শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা ভিক্সিত ভারতকী মংলান অদু মংফাওননবা অমসুং লৈবাক অসিবু চাউখৎহন্নবা নাগরিকশিংনা অমত্তা ওইনা পুন্না কৎথোকমীন্ননবা আপিল তৌখি। শ্রী মোদিনা হায়-ইং ২০১৪ দগী হৌনা মহাক্কী সরকারনা নেক্সলিজম অমসুং মাওইষ্ট টেরোরিজমগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলে। ইং ২০১৪ গী মমাংদা লৈবাক অসিগী জিলা ১০০ হেনবদা মাওইষ্টকী থবক থৌরমশিং অকায়বা পীরম্মী। অদুবু, ঙসিদি শুপতগী জিলা ১১ খক্তং ঙায়রে। মসিগী মনুংদা জিলা অহুমখক্তদা নক্সলাইটনা কা হেন্না শোকহনবা

মফম ওইরি। লৈবাক অসিগী মীওই কোতি কয়ানা অমত্তা ওইবগী ৱাশক লৌদুনা লৈবাক অসিগী অমত্তা ওইবগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা ৱারেপ লৌবা অসিমক শিংথানিংঙাইনি।

মনিপুরদসু রাস্ত্রিয়া এক্তা দিবস পালন পাক শন্না পাঙথোকখি। য়ুনিতি রন পাঙথোকপা অমসুং অমত্তা ওইবগী ৱাশক লৌবনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি। জিলা জিলাগী হেদক্বাটরশিং অমসুং রাজনিতি দলশিংনসু নুমিৎ অসি পাঙথোকখি।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী অহানবা বটালিয়ন মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা নীংথিজরবা মাচ পাস কন্টিজেন্ট ১৩ গী সলামি ওকখি। মাচ পাস পেরেড অদু মরিশুবা আই.আর.বিগী কম্মান্দেন্ট-প্রমেস অরাম্বমনা লুচিংখি।

রাস্ত্রিয়া এক্তা দিবসকী ৱাশক লৌরবা মতুং তিল্লিবা মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়-নেসনেল য়ুনিতি ডে পাঙথোকপা অসিনা সরদার ভাল্লাভাই পতেলগী থৌনা অমসুং নিংথৌ পানবা রাজ্য মঙাবু অমত্তা ওইনা পুনশিলহনবগী মংলান অদু নীংশিংহল্লে। রাজ্য অসিগী মীয়ামনা অমত্তা ওইবগী থৌনা অদু ঙাকা চৎতুনা রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা জাতি কাংলুপশিং অমত্তা ওইনা পুন্না লৈমিন্ননবা হোৎনগদবনি।

রাস্ত্রিয়া এক্তা দিবসকা মরী লৈননা মনিপুর পুলিসনা শিনদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা বেন্দ দিসপ্লে উৎখি। থৌরমদুদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভাল্লা, এম.এল.এশিং, চীফ সেক্রেটরি, সেক্যুরিতি এদভাইজর, দি.জি.পি, সিবিল, পুলিস অমসুং মিলিটরিগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমদি মহৈরোইনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অসাম রাইফলস, সি.আর.পি.এফ. অমসুং মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা নীংথিজরবা বেন্দগী হৈথোই শিংথোইবা উৎখি।

**ককচিং(এল)ঃ** সরদার এদ-১৫০ য়ুনিতি মার্চকা মরী লৈননা ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা পাউগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পি.শান্তিকুমারনা হায়-জিলা অসিদা য়ুনিতি মার্চ কেম্পেইন মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংগী ওইবা জিলা থাক্কী তোঙান তোঙানবা চাংদমবশিং অমসুং পদিয়াত্রা পাঙথোক্কনি। থৌরমশিং অসি মথং থাগী তরুক্তা লোয়শিনগনি।

অমরোমদা, মীসন ফোর ইন্টিগ্রেটেদ দিবলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচরগী মখাদা অহানবা ইন্সটোলমেন্ট ওইনা মনা-মশিংগী মরু-মরাংশিং য়েন্থোকখ্রে। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি, লৌমীশিংগী শেন্থোক লম্বী হেনগৎহন্দুনা মগুন লৈবা মরু-মরাং পুথোকবগীদমক্তনি। থৌরমদুদা বিনিফিসরি ৪০ রোমদা মরু-মরাংশিং য়েন্থোকখ্রে।

**কুট(এল)ঃ** চিন-কুকি-মিজোশিংগী লৌরোক মতুং কুম্মৈ চবাং কুট, মনিপুরদা হয়েং পাঙথোকবা শেম শারে।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা রাজ্য অসিগী মীয়াম মরুওইনা কুকি-চিন-মিজো কাংলুপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পাউজেল অমদা রাজ্যপালনা হায়-চবাং কুট হায়বসি লৌরোক মতুংগী কুম্মৈনি। মসিনা মীয়াম অমদি মহৌশাগা লৈনরিবা অচেৎপা মরী, থবক কন্না শু-নোম্বগী মতিক মগুন অদু নিংশিংহনবা, নুংশি চান্না অমত্তা ওইবা হায়বদু নীংশিংহল্লে। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা জাতি কাংলুপশিংগী মরক্তা মচিন-মনাও ওইবগী মরী, শান্তি, ৱাৎত-পাদবা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা হায়বদু রাজ্য অসিগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা লাকপা ওইরসনু।

**দিৱারমিং(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাহতি, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা

নেসনেল দি-ৱার্মিং ডেগী অনিশুবা রাউন্দ হৌদোকপগী থৌরম ঙসি উরিপোক্তা লৈবা ইবোতোনসনা গালর্স হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্ট-কে. যাদুমণি সিংহনা হায়-অসিগুম্বা থৌরমশিংদা মহৈরোইশিং য়াওহল্লকপা অসিনা থল্লিবা পান্দম অদু ফংবা ঙমগনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল-থৌবালদা মালেমগী অহল ওইরবশিংগী নুমিৎ পালন পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর হেলথ কিয়ার ওফ দি এদললি, ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-থৌবাল, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভির্সেসনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হেলথ সার্ভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তকুমার সিংহ, ষ্টেট হেলথ সোসাইতিগী মীসন দাইরেক্তর-ডা: এম. দিনেসনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা অহলশিংদা ব্লাঙ্কেট পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** প্রিভেন্সন ওফ সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা কাংপোকপী জিলাগী সদর হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর ষ্টেট কন্মিসন ফোর ৱিমেননা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কন্মিসনগী চেয়ারপার্সন-শ্রীমতি থুমলিপ টিনিংফম মোনশাংনা হায়-প্রিভেন্সন ওফ সেক্সুয়েল হরাজমেন্টকী এক্ট ঙাকা চৎতুনা থবক শুফমশিংদা নুপীশিংবু ইজৎ লৈনা অশোয় অঙাম য়াওদনা থবক তৌবা হায়বসি য়ামা মরুওই।

মহাকা হায়-খুঙ্গংদা লৈবা অপিক-অপিকপা ইন্সটিটুট্যসনশিংদা থবক

তৌরিবা নুপীশিংনা মখোয়গী হক খঙদবা কয়ামরুম য়াওরি। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌরমশিং পাঙথোকপা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

**উখ্রুল (এল)ঃ** নোংমগী ওইবা ঙাগী মেলা, ঙসি উখ্রুল টাউন্দ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট ফিস ফামরস এসোসিয়েসন অমসুং মপিথেল ফিস ফামরস সোসাইতিনা দিষ্ট্রিক্ট ফিসরি ওফিস-উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাগা পুন্না শিনবা মেলা অদু উখ্রুলগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রীমতি পোলি মকাননা হৌদোকখি। য়ামা তোইনা পাঙথোক্তবা ঙাগী মেলা পাঙথোকপা অসিদা মীওই কয়ানা টাউন্দ হোল কমপ্লেক্সতা লাক্তুনা ঙা লৈনখি। ঙা লৈবা লাকপা মীওই অমনা অকাশবানিদা হায়-অসিগুম্বা মেলা অসি জিলা অসিদা তোইনা পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

**দান (এল)ঃ** ভিজিলেন্স এৱারনেস ৱিক ২০২৫ গা মরী লৈননা ঈ-দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিমস হোস্পিতালগী জেনিমস ব্লড সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে। ঈ দান তৌবগী থৌরম অসি মনিপুর রুরেল বেঙ্কনা জেনিমস ব্লড সেন্টরগা খুৎশমদুনা শিনবনি।

**আর্ট (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ক্বাকৈথেলদা লৈবা আর.এম. স্কুলদা ঙসি মহৈরোইশিংগী ওইবা ফাইন আর্টস ইগজিবিসন অমসুং সাইন্স ফিয়ার পাঙথোকখ্রে।

তুংদা, মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

**এময়ুঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা শিন্দুনা ২০২৫-২৬ কী এন্যুয়েল সোসিএল ফ্রেসর মিট ঙসি য়ুনিভরসিতি অসিগী ওদিটোরিয়মদা

পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা শান্ন খোৎনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া উৎখি।

**মেনেফেষ্টোঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগা মরী লৈননা নেসনেল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন.দি.এ) গী সংকল্প পত্র ঙসি ফোংখ্রে।

সংকল্প পত্র অদু বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমার, বি.জে.পি. প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দা, বি.জে.পিগী বিহার মীখলগী ইন-চার্জ অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধান অমদি অতৈ এন.দি.এ. লুচিংবশিংগী মমাংদা পুথোকখিবনি।

সংকল্প পত্র অদুগী মতাংদা ৱা ঙাংলদুনা বিহার বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-দিলিপ জেসৱালনা হায়-এন.দি.এগী মেনিফেষ্টো অসিনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ৱাশক অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারদা মীয়ামনা থাজবা অদুগী মমিনি। মেনিফেষ্টো অসিদা নুপীশিংবু শক্তি পীবা, লৌমীশিংদা শেলগী তেংবাং পীবা, স্কিল ফংহনবা, থবক ফংহন্নবদা মরুওইবা পান্দম থল্লি। মসিগী মথক্তা বিহারগী মীয়ামদা কোতি অমা হেনবগী থবক ফংহন্নবা অমসুং লাক্ষপতি দিদি কোতি অমা শেমনবা পান্দম থল্লি।

অমরোমদা, মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ভোট খোন্থগী থবক খম থেংনা কল্লে। এন.দি.এ. অমসুং মহাগত-বন্ধনগী লুচিংবশিংনা মফম কয়াদা মীয়ামগী মীতিন পাঙথোক্লি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, জনতা দল য়ুনাইটেদ লুচিংবা নিতিশ কুমার, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি, আর.জে.দি. লুচিংবা তেজশ্বি প্রসাদ যাদব, এ.আই.এম.আই.এম. লুচিংবা আশাক উদ্দিন অৱেসিনচিংবা লুচিংবা কয়ানা মীখলগী মীতিনশিংদা ৱা ঙাংখি।

**সিবিএসই (এল)ঃ** সেন্ত্রেল বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন (সি.বি.এস.ই) না লৌবা ইং ২০২৬ কী ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী পরিক্ষা মতম লাউথোক্লে।

সি.বি.এস.ইনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী পরিক্ষা মথং চহিগী ফেব্রুৱারী ১৭ তগী হৌরগনি। নেসনেল এদুকেসন পোলিসি-২০২০ ৱারেপকী মতুং ইন্না সি.বি.এস.ইনা ক্লাস টেনগী বোর্ড ইগজাম অনি থোকা পাঙথোক্কনি।

পরিক্ষাগী মতম অয়ুক পুং ১০ দগী হৌগনি।

**ফুটবেলঃ** অহুমশুবা প্রেমিয়র লিগ ফুটবোলগী এস.এস.সি. গ্রাউন্দ সেক্তোদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এঠলেটিক ব্রদরস এসোসিয়েসন অমসুং অসুফি এফ.এ. পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা এইম-খাবমবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**ফুটবেলঃ** জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরক্লিবা ১৪ শুবা জদোনং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি সাই গ্রাউন্দ তাকয়েলদা শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা এস.কে.ৱাই.সি. শওম্বুংনা সি.ঐচ.ৱাই.সি. চুৱাংফুনবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

**ভোল্লিবোলঃ** ৮ শুবা হিলস দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন, মনিপুরগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ভোল্লিবোল ফাইনেলদা উখ্রুলনা সেনাপতি জিলাবু থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইরে। নুপাগী ফুটবোলদনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** লক্ষনৌগী ভারত রতা শ্রী অতল বিহারি ভাজপায় একনা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী চহি ১৯ মখাগী টি-টৌইন্তি ত্রোফি প্লেট

ক্রিকেটতা মনিপুরনা সিক্কিমবু ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** মনিপুর মাস্তরস এঠলেটিক এসোসিয়েসনগী শান্নরোই ওইদুনা নেসনেল চেম্পিয়নসিপ কয়াদা মনা লৌরকখ্রবী সোইবম লৈকাই মেরি লৈরক্তগী মাইবম ওংবী রুপবতি দেবীনা লৈখিদবদা মনিপুর মাস্তর এঠলেটিক এসোসিয়েসননা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**লমজেলঃ** মরাম বটালিয়ন অসাম রাইফলসনা শিনদুনা কেটেগোরি অনি থোকা খায়দোক্তুনা ফিট ইন্দিয়া লমজেল ঙসি পাঙথোকখ্রে। নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী কেটেগোরি অসিদা পুন্না শান্নরোই ১৫০ শরুক য়াখি।

**ক্রিকেট**ঃ আই.সি.সি. ৱিমেন্স ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেটকী ফাইনেলদা ভারতকা সাউথ আফ্রিকাগা শান্নরগনি। ফাইনেল লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎ নবি মুম্বাইগী দি.ৱাই. পতিল ষ্টেদিয়মদা অয়ুক পুং ৯ মখায়দা শান্নগনি।

ঙরাং শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা ভারতনা মমাংগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়াবু থোইখিবনি।